ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯸, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, জুলাই ০৮, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১০০শুবা মশীং

## কুমজা ২০১৯-২০গী য়ুনিয়ন বজেট

### তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগী থম্নরক্লিবা খেন্নবা ৱাফমশিং

হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা কুমজা ২০১৯-২০গী বজেট পুথোকখিবগা লোয়ননা অৱাং-নোংপোক লমদমদা লুপা ক্রোর ৫৯,০০০ থাদবগী ৱাফম য়াওরক্লে। কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর) মিনিষ্ট্রিগী বজেট এসিষ্টমেট লুপা ক্রোর ৪৭,৩০০ ওইখিবনি। ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরিবী সিতারমননা বজেটকী মতাংদা পুং ২.১৭ লোম পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংগীদমক লুপা ক্রোর ৭০,০০০ খাত্তুনা থল্লে হায়না লাউথোকখি। শেল কা-হেন্না পায়বশিংদগী টেক্স হেন্না লৌবগা লোয়ননা ওনলাইন পোর্টেলগী খূত্থাংদা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেজ (এম এস এম ঈ)শিংদা লুপা ক্রোর ফাওবগী লোন মিনিট ৫৯গী মনুংদা ফংহল্লগনি হায়না লাউথোকখি। য়ুনিয়ন বজেটতা য়াওরিবা মরু ওইবা ৱাফমশিংগী মনুংদা লুপা ক্রোর ৪০০ চঙনা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি থবক্তা ওন্থোকপা; কুমজা ২০২৪ ফাওবদা য়ুমথোঙ খূদিংগী ইলেক্ট্রিসিটি, চাকথোং গ্যাস অমসুং থক্নবা ঈশিং ফংহনবা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি করম যোগি মান ধন যোজনাগী মখাদা দুকান ফল্লিবা মীওইশিংদা পেন্সন পীবগী ৱাফম য়াওরি। চহীদা লুপা ক্রোর ১.৫ ফাওবগী চাংদা ললোন-ইতিক তৌরিবা রিটেল ট্রেদরশিংনা মশাগী চহী ৬০ শুরকপা মতমদা পেন্সন পীনবগী থৌরাং লৌখৎকদৌরি। মসিগীসু মথক্তা জন ধন বেঙ্ক একাউন্ট লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী নুপী মেম্বর অমমম্না মুদ্রা স্কিমগী মখাদা লুপা লাখ ১ ফাওবা লোন লৌবগী খূদোংচাবা ফংলগনি। য়ুনিয়ন বজেট ২০১৯গী মতুং ইন্না মমল হেনগৎলক্কদবা পোৎলমশিংগী মনুংদা পেট্রোল, দিজল, সনা, মপান লৈবাক্তগী ইম্পোর্ট তৌবা লাইরিক, টাইল্‌স, গাড়ীগী পার্ট, ভিনাইল ফ্লোরিং, মার্বল স্লেব, ওপটিকেল ফাইবর কেবল, সী সী টি ভি কেমেরা, দিজিটেল ভিদিও রেকোর্দর, আই পি কেমেরা অমসুং চুরুটনচিংবা য়াওরি। মমল হন্থরক্কদবা পোৎলমশিংগী মনুংদনা ইলেক্ট্রোনিক এপ্লাইয়ন্সেস অমসুং ইলেক্ট্রিক ভেহিকলনচিংবা য়াওরি। ফেব্রুৱারী থাদা পুথোকখিবা ইন্টরিম বজেটকা মান্নবা মওংদা চহীগী লুপা লাখ ৫ ফাওবা তানবা মীওইশিংদগী লৌবা টেক্সকী চাংদা থোইদোক্লা অহোংবা লৈহন্দ্রে। অদুম ওইনমক লুপা ক্রোর ২ দগী ৫ ফাওবা অমসুং লুপা ক্রোর ৫ হেন্না তানবা মীওইশিংদগী মথংশিংনা চাদা ৩ অমসুং চাদা ৫ সরচার্জ লৌবগী ৱাফম য়ুনিয়ন বজেটতা য়াওরি।

চহীদা লুপা ক্রোর ৪০০ টর্ন ওভর ওইবা কম্পনি খূদিংমক চাদা ২৫গী চাংদা টেক্স থীহনবগী ৱাফমসু বজেটতা য়াওরি। হায়রিবা টেক্সকী চাং অসি হান্নদি লুপা ক্রোর ২৫০ ফাওবগী টর্ন ওভর ওইবা কম্পনিশিংদগী লৌরম্বনি। মীপুম খূদিংমক ইলেক্ট্রোনিক ট্রাঞ্জেক্সন তৌহন্নবগী পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা কনাগুম্বা মীওই অমনা চহীদা লুপা ক্রোর ১ হেন্না মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতগী লৌথোকপা মতমদা টেক্স দিদক্সন এট সোর্স (টি দি এস) ওইনা চাদা ২ ককহৌরগনি। লাক্কদৌরিবা চহী ৫গী মনুংদা লুপা ক্রোর ৮০,০০০ চঙনা কিলোমিটর লাখ ১.২৫ শাংবা লম্বীগী ফীভম শেমজিনগদৌরি। লৌমীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, 'জিরো বজেট ফার্মিং' অমসুং 'গাওন, গরিব এন্দ কিষান'গী থৌশিল মখাদা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহল্লগনি। কুমজা ২০২২ ফাওবদা মীপুম খূদিংমক মশাগী য়ুম লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনাগী মখাদা লৈঙাক্লা কুমজা ২০২০দগী কুমজা ২০২২ ফাওবদা য়ুম ক্রোর ১.৯৫ শাগদৌরি। মিদল ক্লাসকী মীওইশিংদা পোৎলুম হন্থহন্নবগী পান্দমদা কুমজা ২০২০গী মার্চ ফাওবদা লুপা লাখ ৪৫ ফাওবগী হোম লোন লৌবা মীওইশিংনা পীগদবা লোনগী শেন্দোই লুপা লাখ ১.৫ হন্থহল্লগনি। য়ুনিয়ন বজেটকী মতাংদা মীওই অয়াম্বনা খ্বাইদগী য়ানিংদ্রিবা ৱাফমদি পেট্রোল অমসুং দিজলদগী লৌবা টেক্স হেনগৎলকপগী মতাংদনি। বজেট পুথোকখ্রবা মতুং নোং হেক ঙানবগা মণিপুরগী পেট্রোল পম্প অয়াম্বদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল লিটরদা লুপা ২.৫০গী চাংদা হেনগৎলকখি। ইন্দিয়াগী অতৈ অতোপ্পা মফম খরদদি লিটরদা লুপা ৫ ফাওবা হেনগৎলকপা য়াওনরি। দোনর মিনিষ্ট্রিদা পীগদবা শেনফম লুপা ক্রোর ২,৬২৯ ওইরম্বদগী লুপা ক্রোর ৩,০০০ দা হেনগৎলকপগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন ঈ সী)গী মখাদা পায়খৎকদবা স্কিমশিংগী লুপা ক্রোর ৫৮০; নোর্থ ইষ্ট স্পেসল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট স্কিম (এন ঈ এস আই দি এস)গী লুপা ৬৯৫ অমসুং নোর্থ ইষ্ট রোদ সেক্টর দিভলপমেন্ট স্কিমগী লুপা ক্রোর ৬৬৬ কাইথোকপগী ৱাফম য়াওরবসু সেন্ট্রেল পুল ওফ রিসোর্সতগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা পীগদবা শেনফম লুপা ক্রোর ৭৮১ ওইরম্বদগী লুপা ক্রোর ৫৩১ দা হন্থরক্লে। মসিগীসু মথক্তা লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবগী মতীক চাবা থৌশিল য়াওদবগা লোয়ননা মীচম মীয়ামদা অহেনবা পোৎলুম পীবা ওইনা পেট্রোল অমদি দিজলগী মমল হেনগৎহল্লে হায়না অখণ্ড-অহৈ কয়ানা মোত পীনরি। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেট সেক্টরদা হেন্না খূদোংচাবা পীনবগী পান্দমদা পুথোরকপা বজেটনি হায়না লৌনরি।

---

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### টিবেটান লীদর দলাই লমাগী ৱাফম

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ৱাফম অসি য়াম্নমক শাংখ্রবা ৱারী-ৱাখোঙনি। ৱাফম অসি নৈনবদা মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা লৈবাকনি হায়নরিবা চাইনা-টিব্বট-বর্ম্মা অমদি কংলৈগী পিবা নিংথৌ ওইরিবা নিংথৌ কাংবগী পাড়া মপূং ফানা নৈনদবা য়ারক্তে। য়েৎনবা হৌখিবদি, টিব্বট অসি চাইনারোমদগী মচেৎ তানা লৈরমখিবা লমদমনি। কংলৈগী পিবা ওইরিবা নিংথৌ কাংবা অসিসু য়াম্না লীরবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ পিবা ওইনা লৈরমখিবা মশক নাইবা নিংথৌনি। অরিবা মতম অদুদদি চাইনা টিব্বটকা খরা খরা য়েৎনদুনা লৈরম্বনি। লোয়ননা নিংথৌ কাংবা অসিনসু টিব্বটকা লম খরা য়েৎশিন্নবা লৈরমখি। নিংথৌ কাংবনা টিব্বটকী লম শরুক খরা মহাক্কীনি হায়দুনা য়েৎনবা লৈরমখি - চাইনাসু মদু উরবদা টিব্বট অসি মখোয়গী লমনি হায়না ক্লেম তৌরকখি। মখা তারকপদা চাইনানা টিব্বটকী লীদর অদুবু তান্থোক্লুবা লাল্লোং কয়া তৌরকখিবনি। চাইনাদি মী য়াম্না কুংনা তাবনিনা অতৈ অতৈ লমলোমদা শন্দোক্লবা থৌরাং লৈরমখি। মথং মথং মণিপুর ফাওদুনা অসামলোমদা চাইনাগী অহোম হায়বা কাঙলূপ অদুনা মণিপুর ফাওদুনা লাক্লগা অসামদা খুন্দা-লৈতারমখি, অসামদা লৈরিবা অহোম হায়রিবা লিরবা ফুরুপ অসি চাইনাদগী লাকখিবনি হায়না মখোয়না অদুম য়াজখি। লোয়ননা অহোম কাঙবু অসিনা অসামগী য়েলহৌমীনি হায়না হায়নরি।

মখা তারকপদা পন্দিট নেহরুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা মতমদা বর্ম্মাগী নিংথৌ ইমু-নুগা লুনা তিন্নবনা, টিব্বটকা কংলৈপাক্তা লম খরা য়েৎনবা কবো ভেল্লি অসি মখোয় (বর্ম্মা) দা পীরে হায়রকপদা নেহরুনসু কবো ভেল্লিদি কবোগী ওইফম থোকই হায়দুনা বালেশ্বর প্রসাদনা মণিপুরগী চীফ কম্মিস্নার ওইবা মতমদা কবো ভেল্লি বর্ম্মাদা পীথোক্লমখি। মতম অদুদা মণিপুরদি ঈ-পাউ কয়া তারমদে, মীয়ামদি লায়রদুনা মতমদুগী চীফ কমিমস্নর বালেশ্বর মশামকসু ইঙক ঙক্লা প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱাকৎপা ঙমদদুনা অদুম ময়াম তুমিন তুমিন মুরুম মুরুম শোন্নদুনা লৈনখি। ৱাফম অসি মখা য়াম্না শাংথরে। অদুবু মীনুংশি য়াম্না চাউবা ইন্দিয়ানদি নাকোয়ননা দলাই লমাবু শৌগৎলবসু লান্না অদুম য়েংদুনা লৈরি। মরক মরক্তা লোন্না চংজফম পীবা নত্তনা পাম্বে লৈতে। মণিপুরনসু মসিদা করি তৌগদবনো পাম্বে লৈতে।

*অদোমগী - ডা. অকোইজমচা নারেন অমুবা, নিংঙোম্বম, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

---

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৯

১। মৈতৈ পুৱারীদা মৈতৈলৈমা পাইখু লাম্থবী, গোমতী মহারাণীগী ৱারী কান্দুনা চৎপা খক য়াররোই। মহাক কনাসু নত্তে, ইরোম থম্বালনি। মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা লৌখিবনি।
(ক) ইরোম থম্বাল কৈয়ূম নিংঙোলনো?
(খ) মৈদিংঙু গরিবনিৱাজনা উমংলাই ময়াম খোমগৎলগা ফুমখিবা মফমদু কদায়দনো?

২। "মী শিবা খুদিংমক মী হাৎপগী থবক ওইদে/চুম্না ফনবা তৌবদগী শোয়খিবা কয়া মীহাৎপগী থৌদৌগী মনুং চন্দে।" ৱাফমসি ঐখোয়গী উপন্যাসকার, হিজম গুণনা উপন্যাস অমদা হায়বনি। উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "লৈরাংবী/লেংশিল্লি নহাক্কী থোৎলবা নখূৎনা/পুন্সি কয়াবু মতমগী লংজাশিংদা।" পরেং অহুম অসিনা কবি ক্ষেত্রি রাজেনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নোংদোন্দা শীৎপা তিল মায়দা তাই হায়বদু হেক থোক্লেকো।" ৱাফমসিনা 'থাজরুবনা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অসিগী 'থম্মোয়গী লংলা' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ফোঙখ্রে। মহাক অদু কনানো?

৫। "ফাইরেল থাগী অপাইবা লৈচিনগুম/হল্লক্লো নখোয়গী থৱায় মিরেন্না/লোইবী চীংদা চাক্তাখিবা ইবুংশিং।" পরেং অহুম অসিনা মচল ওইবীশিংনা নীংতম্বা লৌবা চৎখিবা মবুংশিংবু কৌজবনি। 'কৌরি মমানা মচাশিংবু' কৌবা ঈশৈ লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

---

## লৌমীশিংগী কাখল

# লৌফমদগী কৌজেং ঙাকথোকপা

**ডো: এম থোইথোই**



মহৈরোয় ওইরিঙৈদা ওজা অমনা হায়বীখি "কৌজেংদি শঙ্গু-শঙ্গু চৎপনি। নথন্তনা ঙাকথোকপা ঙম্লোই। নখোয় শঙ্গু-শঙ্গুনা ঙাকথোক্কদবনি।" কাউনীংঙাই ওইদে। তশেংনমক ঐগী লৌফমদুখক হীদাক কাপথোক্লবসু হীদাক্কী ময়াক হন্থরকপা মতমদা থংনবা লৌফমদগী কৌজেং চঙলক্কনি কান্নবা লৈররোই। মরম অসিনা তঙাইফদনা কৌজেংশিং ঙাকথোক্লবগীদমক্তিঙ থংনবা লৌফমগী মীওইশিংগা পূনশিন্নরগা চঙশিনমিন্নবা ফৈ।

ফৌদা তাবা তীল মখলসি পূন্না ১০০০ মুক শুই হায়না পানৈ। অদুমকপু তীল পুম্নমক লৌফম অমদা পূন্না তাবদি নত্তে। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা অঙৈং-অশা, ঈশিং-নুংশিৎ খেন্নবগী মতুং ইন্না তীল মখল খেন্নবা তাই। মণিপুরগী লৌফমশিংদা তীল মখল ১৫/১৬ মুক থেংনরবসু মরু ওইবা তীল মখল তরেৎ-নিপালখক্কীনি লৌমীশিংনা ৱারিবা, ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা। হান্না কয়া মরু ওইরমদবা তীল অকনবা ওইরকপা, অকনবা ওইরম্বা কয়া অমা অতোপ্পা চহীদা মরু ওইদবা তীল ওইবা য়াওই। কুম অমগা কুম অমগসু তীল তাবগী মওং অমসুং মখল খেন্নৈ। লমদমসিদদি অয়াম্বা লৌফমশিংদা ইঙেল্লাই চুবী, নুংয়েং, উতোং, মনা কোনশিনবী, মরেক, ৱাইকুপমানবী, মনা অমসুং চরোং চিকপী মমিং পনবা য়াই। কৌজেংগীদমক কিনরি। কৌজেং ফৌখক্তদা তাবা তীল নত্তে। পাম্বী মখল কয়াদসু তাই। অকক্লবা পাম্বীগী ৱা লৈতে। কৌজেং মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না মওং মতৌ শাজত্তা খেন্নবা লৈ। কৌজেং মখল খরদি মরূমদগী মচা ওল্লিবা মফমদুদগী কিলোমিটর ৬৪৪০ থাপ্পা মফম ফাওবা শঙ্গু ওইনা পাইবা ঙম্মী। মিটর ৪৬০০ ৱাংবা চীংলোন লানবসু ঙম্মী হায়বগী রিপোর্ট লৈরিবনি।

মচাদগী মপী ওল্লক্লবা মতুং থা অনী অহুমগী মনুংদা অমোম-লাবা হকতিন্নদুনা লৌরীশিং অমসুং কংলবা লৌফমশিংদা মথুন থিংজিন্দুনা মরূম কোকশিল্লি। মে অমসুং জুন থাদগী হৌনা মরূমদগী মচা ওন্দুনা লৌবুকশিংদা তাবা হৌই। কংলবা লৈবাক মনুংদা লৈরিবা মরূমশিং মচা ওন্দনা কুইনা লৈবা ঙম্মী। কুমগী নোং লাকপগা ঈশিং ঈনিল ফংলকপদগী মরূমশিং মচা ওল্লি। চহীগী অহানবা নোং চুখ্রবা মতুং মতম খরা লৈরগা মরূমদগী মচা ওল্লকপা হৌই। মরম অদুনা নোং ঙন্না চুবা চহীদা তীল অসিনা ঙন্না থোরকই।

ঙাকথোক্লবা পাম্বে :-

১) লৌবুকশিংদা উচেক্কী কাইদোংফম শেন্থা ফৈ। ফুট ২.৫দগী ফুট মরি ফাওবা ৱাংবা, ৱাংবা মান্নদবা উচেক্কী কাইদোংফম ফুট ২০-৩০ কান্ন-কান্ননা য়ুংবীবা ফৈ। মসিনা মান্নদবা উচেকশিং তোংনীংবা মফমদা তোংবা খুদোং চাহল্লি। মসিগীদমক চৈ অমা য়ুংলগা ফৈরা অমা হাপ্লগা 'টি' মওংদা শেন্থা য়াই। অসিগুম্বা কাইদোংফম লৈরবদি তীল হেক লৈবা মফমশিংদা উচেকশিং লাক্কনি।

২) হীদাক কাপ্নবগীদমক্তদি হীদাক মখল কয়া শীজিন্নবা য়াই। অদুম ওইনমক লৌফম মচি অমখক্কী হীদাক কাপথোক্তুনা ফহন্নবা হোৎনবা মায় পাক্কন্দে। থংনবা মীওইশিং পূনশিন্দুনা অকক্লবা নুমিৎ অমদা পূন্না কাপথোকমিন্নবা ফৈ। মসিদা Quinanphos, Chloropyriphos নৎত্রগা Cypermethrin শীজিন্নবীবা য়াই। Chloropyriphos 20% মিলিলিটর ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানবীরগা লৌরী অমসুং লৌফমদু মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোকপীগনি।

৩) মৈঙান্দা পাইশিনবা তীল ওইবনা ইলেক্ট্রিক শীজিন্নবগী খুদোংচাবা মফম ওইরগদি বল্ব অমা থাল্লগসু য়াই। বল্বসিগী মখাদা অপাকপা পাত্র অমদা তীল হীদাক য়াল্লবা নৎত্রগা কেরোসিন য়াল্লবা ঈশিং ওইরবসু থমগনি । বল্ব অমসুং পাত্র অনীগী মরক্তা ফুট অমদগী পংহেন হেন্না থাপহন্দবা ফৈ। মৈঙালনা চিংশিল্লক্লবা কৌজেংদা নত্তনা অতৈ তীল কয়াসু পাত্রদুদা তাহন্দুনা হাৎপা য়াই।

৪) য়ারিবমখৈ লৌরি নান্না থম্বা ফৈ। লৌকোন অমগী লৌরী খুদিংমক য়াম্থোক্তুনা লৌমী ময়াম মান্নদুনা লৌরি নৌনা শাবা ফৈ। কালেন্দা লৈচং লৈনা খোয়দোক্তুনা লৈবাক মখল মখা ওন্থোকপা য়াম্না কান্নগনি। মসিনা লৈনুং তীলশিং মথক্তা পুখৎলক্তুনা নুংশানা হাৎহল্লি। উচেকশিংনসু চাথোকহনখিবগী মথক্তা লৈবাক লৈহাওসু কাহল্লি। ●

---

# লাইবষ্টোক ইন্সুরেন্স

**সরাংথেম জেসমারানি**



লাইবষ্টোক (ষণ, ইরোই, হামেং, য়াও, শগোল, ওক অসিনচিংবা) ইন্সুরেন্স হায়বদি ইন্সুরেন্স কম্পেনিনা লাইবষ্টোক ওনরশিংদা পীবা মশাগী লোয়জরিবা শা-ষণ খুদিংমক করিগুম্বা লায়না লাক্তুনা শিবা, এক্সিদেন্ট থোকপা, হূ চাশিন্দুনা শিবা ফাওবা য়াওরক্তুনা মশাগী শেল চঙনা লোয়জরিবা অদু পুরা মাঙবদগী কন্নবা মশাগী য়ূমদা লোয়জরিবা শা-ষণ খুদিংমক ইন্স্যুর্দ তৌহল্লগা করিগুম্বা হায়রিবা খুদোংথীবসি নংলগদি ইন্স্যুর্দ তৌরিবা শেনফমদুগী মতুং ইন্না কম্পেন্সেসন পীবনি।

ইন্স্যুর্দ তৌগদবা লাইবষ্টোক্কী ফীভম শেল চঙনা লৈদুনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা লোয়রিবা শা-ষণ খুদিংমক ইন্স্যুর্দ তৌবীগদবনি। ঐখোয়না ইন্স্যুর্দ তৌগে হায়রগদি ঐখোয়না লোয়রিবা শা-ষণ খুদিংমক অনা-অয়েক য়াওরোইদবনি। ভেটিরিনরি ডোক্তরনা ফজনা য়েংথোকহনবীদুনা মদুগী মতুং ইন্না সার্টিফিকেট অমা পীহনবীরগা হায়রিবা সার্টিফিকেট অসি ইন্সুরেন্স প্রোপোজ তৌবদা হাপ্পীগদবনি। ঐখোয়না ইন্স্যুর্দ তৌগদবা শা-ষণ খুদিংমক টিকা থাদোকপীগদবনি। অফবা মখল অমদি মচি ওইবা মচিঞ্জাক পীজবীগদবনি। চহী য়াল্লবা শা-ষণদি ইন্স্যুর্দ তৌবা য়াদে। অনা-অয়েক য়াওদবা, মশা-মউ ফনা লৈবা শা-ষণ খুদিংমক মমল ৱাংনা লৈবনা ইন্স্যুর্দ তৌবা মতমদসু মমল ৱাংনা তৌবা য়াই।

***করি করি চে-চাং চঙবগে?***

মখাদা পীরিবা দোক্যুমেন্টশিং অসি ইন্সুরেন্স প্রোপোজেল তৌবদা চঙই।

ক) ইন্সুরেন্স য়াওবীগদৌরিবা শা-ষণগী মপুগী মমিং, লৈফম, ইন্সুরেন্স য়াওগদৌরিবা শা-ষণদুগী মশীং, আইদেন্টিফিকেসন মার্ক, ব্রীদ, চহী, সেক্স, মচু, অৱাংবা, মচি পানবরা-পান্দবরা অসিনচিংবা।

খ) ভেটিরিনরি ডোক্তরনা পীবা প্রেস্ক্রাইব ফোর্মদা লৈবা সার্টিফিকেট।

গ) লৈবা মতমদা লৈরিবা মফমদুদগী পীরকপা রিসিপ্ট।

ঘ) শাগী সার্টিফিকেট ভেল্যু হায়বদি ইন্সুরেন্স য়াওবা মতমদা শাদুগী চহী, হেলথকী কন্দিসন অমদি লাবা-অমোমগী মতুং ইল্লি।

ঙ) ইন্স্যুর্দ তৌগদৌরিবা এনিমেলগী ফোটোগ্রাফ অমা ইন্সুরেন্স প্রোপোজেল তৌবা মতমদা ভেটিরিনরি ডোক্তর অমগী মতেং লৌরগা তৌবীগদবনি।

***ইন্সুরেন্সকী শেনফম :-***

ইন্সুরেন্সকী শেনফম অসি ঐখোয়না ইন্স্যুর্দ তৌগদৌরিবা শা মখল অমদি ব্রীদকী মখা পোল্লি। মপাল লমদগী একজোটিক ব্রীদ লোয়বা অমদি ক্রোসব্রীদশিংনা ভেল্যু হেন্না লোকল ব্রীদতগী ইন্স্যুর্দ তৌবা য়াই। চহী নৌরিবা, মপূং ফারবা এনিমেলনা হেন্না অরিবা এনিমেলদগী ভেল্যু লৈনা ইন্স্যুর্দ তৌবা য়াই।

***শাগী মমল করম্না লেপকনি :***

শাগী মার্কেট প্রাইজকী ভেল্যু হোৎপদি পূন্না ভেটিরিনরি ডোক্তর, বেনিফিসিয়ারি এন্দ ইন্সুরেন্স এজেন্টনা পূন্না মতমদুগী মার্কেট প্রাইজতা শাদুগী মমল লেপ্পীগদবনি।

***ইন্সুরেন্স প্রিমিয়মনা করম হায়না হোংগনি :***

ইন্সুরেন্স প্রিমিয়ম চেঞ্জ অসি অনী থোক্লা তৌবা য়াই -

(ক) করিগুম্বা গভর্ণমেন্ট স্কিমগী মখাদা শা অসি সপ্লাইদ তৌরগদি ফিক্স এমাউন্টতা চেঞ্জ তৌগনি।

খ) ইশাগী ইন্দিভিজুএল স্কিমদা লৈবীরগদি ঐখোয়না লৈরিবা শাগী মমলদুগী চাদা ৫দা চেঞ্জ তৌগনি।

***কম্পেন্সেসন পীবগী প্রোসিদ্যুর :***

ক) করিগুম্বা ইন্স্যুর্দ তৌরিবা শাদু খুদোংথীদুনা শিবা থোক্লগদি ইন্সুরেন্স কম্পেনিদা পাউ পীবিয়ু।

খ) শিরিবা শাদুগী ভেটিরিনরি ডোক্তরনা পীবা পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট অদু কম্পেন্সেসন তৌবা মতমদা হাপ্পীয়ু।

গ) করিগুম্বা বেঙ্ক লোন লৌরগা শাদু লৈরগদি বেঙ্ককী মীশিংদা পাউ পীবিয়ু।

ঘ) ইন্সুরেন্স কম্পেনিনা আইদেন্টিফিকেসন মার্ক (লেবেল) অমা মনাদা নপ্লিবদু শিরবা মতুংদা মদু লৌথোকপীরগা ইন্সুরেন্স কম্পনিদা শীন্নবীগদবনি।

ঙ) শিরবা এনিমেলদুগী ফোটোগ্রাফ অমসু মথৌ তাই।

চ) করিগুম্বদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা শিবা তারগদি মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন অমদা রিপোর্ট তৌবীদুনা মখোয়না পীবা রিপোর্টতু সবমিট তৌবীগদবনি।

ছ) শিবা মতমদা শাদুগী ভেল্যুদুনা ইন্সুরেন্স ক্লেম তৌবগী ভেল্যু ওইগনি।

***কম্পেন্সেসন পীবগী মওং :***

ক) করিগুম্বা শিরিবা শাদু বেঙ্ককী লোন লৌরগা লৈবা তারম্লগদি কম্পেন্সেসনদু বেঙ্ককী খূত্থাংদা পীগনি।

খ) মদুনা মশাগী শেল পুথোক্লগা লৈরগদি কম্পেন্সেসন তৌবা মতমদা চ্যেক ওইনা মপুদা খূৎশিন্নরক্কনি।

***করম্বা ফীভমশিংদা কম্পেন্সেসন পীরোইদবা ?***

ক) ভেটিরিনরি ডোক্তরনা পীবা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট পীদ্রবা।

খ) শাগী মনাদা থেৎপা আইদেন্টিফিকেসন মার্কতু ওন্নরবা।

গ) এনিমেলদু নাবা মতমদা হীদাক লাংথক ফজনা পীবিদ্রবা।

ঘ) শিবা মতমদা খুদক্তা ইন্সুরেন্স কম্পেনিদা হায়দোকহৌদ্রবা।

ঙ) ঐখোয়না ইন্সুরেন্স পোলিসি য়াওরিবা মতমদুদগী হেন্দোক্লগা শিবা।

***ইন্সুরেন্স য়াওরিঙৈগী মতমদা শাগী মপু ওন্থোকপা :***

করিগুম্বা ইন্সুরেন্স পোলিসি অসি লোইদ্রিঙৈগী মনুংদা মপু অমদগী অমদা ওন্থোক-ওনশিন তৌবা নৎত্রগা য়োন্থোকপা তারগদি মপুগী মমিংসু ওন্থোকপীহৌগদবনি। ওন্থোক-ওনশিন তৌবা মতমদসু মাগী লৌগদবা ফীস, সেল দীদ অসিনচিংবা ময়াম অসি ইন্সুরেন্স কম্পেনিগা ওনরগা লৈনরিবা কন্ট্রেক্টকী মতুং ইন্না তৌবীগনি। ●